## এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট
# কে আই ৱাই সীনা ৱাই এ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ক্ষেত্রিগাও ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সী) ক্ষেত্রিগাওনা য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লব (য়াই এ সী) য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।



মায় পাকখিবা কে আই ৱাই সীনা পূন্না মেটচ ৪ শান্নবদা মেটচ ২ মায় পাক্লগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা গ্রুপ বিগী টেবলগী ২শুবা মফমদা লৈরি। ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা মেটচ ২ শান্নখিবদা অনীমক মায়থীদুনা টেবলগী ইরোই লোইবা মফমদা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১০না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি।

কে আই ৱাই সী অমদি ৱাই এ সী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ক্ষেত্রিগাও টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা য়াইস্কুল টিমনা ওভর ২৯দা ওল আউট ওইদুনা রন ১০৩ লৌবা ঙমখি।

মাইস্নাম অমিটনা বোল ৬০দা রন ৩৬ লৌদুনা য়াইস্কুল টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। মাইস্নাম ধনেশ্বরনা বোল ৩৯দা রন ১২, ওইনাম জোননা বোল ১৪দা রন ১০, ঙাঙোম জয়চন্দ্র অমদি পুখ্রম্বম প্রিয়োকুমারনা বোল ২০ অমদি ১৩দা চপ মান্নবা রন ৭/৭ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা ক্ষেত্রিগাওগী বোলর মোহমদ অব্দুলা খাননা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৩ অদুগা অজমদ খাননা ওভর ৮, মোহমদ অব্দুল হামিদনা ওভর ৪ অমদি মোহমদ জাকারিয়া শাহনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউ খুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ক্ষেত্রিগাওগী বেটসমেননা ওভর ১৩.১দা ৱিকেট ৩ তুরগা য়াম্না লায়না অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা রন ১০৮ লৌদুনা য়াইস্কুল টিমবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা অনিশ অহমদনা আউট ওইদনা বোল ৪৪দা থুনা য়াঙনা রন ৬২ লৌবা ঙমখিবগা লোয়নন মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি। এম দি ফরহাদনা বোল ১৬তা রন ১৮ অদুগা এম দি কাওসরনা আউট ওইদনা বোল ৬তা রন ১৩ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা য়াইস্কুলগী বোলর হুইদ্রোম গুনেশ্বরনা ওভর ৪, লাইশ্রম ধনেশ্বরনা ওভর ৩ অমদি মাইস্নাম অমিটনা ওভর ২.১ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা গ্রুপ এগী ওস্কার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন পাওনা বজার অমদি উরিপোক ক্রিকেট ক্লব (য়ু সী সী) উরিপোক অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# ষ্টেটকী ক্লাইম্বর তরুক নেসনল স্পোর্টস ক্লাইম্বিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): উত্তরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়রিং (এন আই এম) উত্তরকাশিদা থা অসিগী ১২দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৬শুবা নেসনল স্পোর্টস ক্লাইম্বিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা নোর্থ ইষ্ট জোন রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ষ্টেটকী ক্লাইম্বর ৬না শরুক য়ারগনি।



মণিপুর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৫- অসাম, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ অমদি সিক্কিমদগী ক্লাইম্বর ২৫না নোর্থ ইষ্ট জোন রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবা অসি হন্দক্তা অসামগী গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা আই এম এফ নোর্থ ইষ্ট জোনেল কম্পিটিসন ২০২২গী পর্ফোর্মেন্স য়েংলগা খনগৎলকখিবনি।

খনগৎলবা ষ্টেটকী ক্লাইম্বরশিং অদুদি সগোলবন্দ তেরা য়েংখোম লৈরক্তগী ঐচ বিধি অমদি সুমতিগী মচানুপী হিজম মেরিনা চনু, ইরম সিফাই ৱাংমা অতাপখোং মনিং লৈকাইদগী ৱাই শ্যাম অমদি ইবেমচাগী মচানুপী য়ুম্লেম্বম পুস্পা চনু, ফষ্ট এম আর গেটতগী থম্বালতোনগী মচানুপী চিতেশ্বরী রাজপুট, ইতম নুঙ্গোইদগী টি ঐচ মঙ্গি অমদি খম্বীগী মচানুপা থোকচোম বোইনাও, মিনুথোং কবো লৈকাইদগী নোংথাং য়ুম্নাম অমদি ইরোম লেম্বীগী মচানুপা নোংদম্বা য়ুম্নাম অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি ভিলেজদগী এম দি কোচুং মরিং অমদি লৈমুই মরিংগী মচানুপা মেদরসং মেনাইশিম মরিংনি।

অতোপ্পা ক্লাইম্বরশিং অদুনা নাগালেন্দদগী কেহিয়ুলো; অরুনাচল প্রদেশতগী তাই তারু, কিরন দাজুসো, পিসা য়াগু, সোসর কুসুম অমদি গাপক কায়ির; সিক্কিমদগী রিটেশ দর্নাল, অজিৎ রাৱট, সন্দুপ তমাং, রোহিট কুমার চৌধরি অমদি বিষ্ণু কুমার গুরুং; অসামদগী তনুশ্রী দেকা, সায়া সুনর, চনমোনি রাভা, স্বানগিতা গোগোই, পসান্ত দাইমারি, অদিত্য কুমার শাহ অমদি সঞ্জিব রাবানি।

নোর্থ ইষ্ট টিম অসিগী মেনেজর ওইনা এন বিদ্যাপতি অমদি টিম কোচ ওইনা টি বোবোনা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, ষ্টেট ক্লাইম্বর ৬ অমদি মেনেজর য়াওবা মীওই ৭না শাবা টিম লৈবাকপোকপা নুমিৎতা উত্তরখন্দগীদমক মিনু থোংদা লৈবা এম এম টি এ কমপ্লেক্সতগী লমথাদুনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

লমথাবগী থৌরম অদুদা মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন (এম এম টি এ)গী প্রসিদেন্ট ডা. এল সুর্জিৎ, মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিএসন (এম এ এস সী এ)গী প্রসিদেন্ট ডা. কে রোমিও মৈতৈ অমদি এম এ এস সী এগী সেক্রেটরি এল প্রদিপসু শরুক য়াখি।

# মাবাগী ২০২২ কম্পিটিসন কেলেন্দর লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (মাবা)গী চহী অসিগী পাঙথোক্কদবা বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসনশিংগী মতম ঙসি এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জয়না লাউথোকখ্রে।

অহানবদা, মে ২৬তা ৱাঙ্খেদা পাঙথোকখিবা মিষ্টর প্রভাবতি ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসননি।

অদুগা অনীশুবদা থা অসিগী ২১দা থৌবালদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর লাইথাগোল নিংথৌ ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ, অহুমশুবদা সেপ্টেম্বর ১০দা য়াইরিপোক্তা মিষ্টর য়াইরিপোক ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ, মরিশুবদা সেপ্টেম্বর ৩০দা তাকয়েলদা মিষ্টর তাকয়েল খোংবাল ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপনি।

মঙাশুবদা ওক্টোবর ৩০দা মিষ্টর কংলৈপাক ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ, তরুকশুবদা নভেম্বরগী অহানবা চয়োলদা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অদুগা তরেৎশুবদা নভেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা ওইনামদা মিষ্টর শাফবা ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২ হান্না লেপ্লম্বা মতমদগী নোংমা ঙনখৎলগা হৌরগনি : সোর্ছ

দোহা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): কটারদা চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ওপন্নিং মেটচ হান্না লেপ্লম্বা মতমদগী নোংমা ঙনখৎলগা নভেম্বর ২০দা হোষ্ট টিম অমদি ইক্বেদোরগা শান্নরগনি হায়না সিনিয়র ফুটবোল সোর্ছ অমনা দি এসোসিএট প্রেসতা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সোর্ছকী মতুংইন্না ফিফা অমদি কটারগী ওর্গনাইজর অনীনা অহোংবা অসি য়ানখিবনি হায়রি। হান্না লৈরম্বা সেদ্যুল্ডগী মতুংইন্না নভেম্বর ২১দা সিনেগল অমদি নেদরলেন্দস অনীনা অহানবা মেটচতা শান্নগনি তৌরম্বনি। মদুগী মতুং মথংগী নুমিৎতা ওফিসল



ইনোগ্যুরেসন মেটচ ওইনা কটার অমদি ইক্বেদোর অনীনা শান্ননবা শেম শারম্বনি।

সোর্ছকী মতুংইন্না ফিরেপ অসি ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফেন্টিনো অমদি কন্টিনেন্টেল ফুটবোল বোদি ৬কী মকোকশিং য়াওবা কম্মিটি অমনা লৌরকপা দিসিজনগী মতুংইন্ননি।

কটারগী ওফিসলশিং অমদি সাউথ অমেরিকান ফুটবোল বোদি কোনমেবোলগা লোয়ননা কটার অমদি ইক্বেদোর সোক্কর ফেদরেসন য়াওনা নুমিৎ ২৮নি চুপ্পা চথগদবা টুর্নামেন্ট অসি নোংমা ঙনখৎলগা নুমিৎ ২৯নি চথনবা ৱারী শানখিবনি হায়খি।

২০২২গী ৱর্ল্ড কপ অসি অহানবা ওইনা চহী ৯২গী পুৱারীদা নোরদর্ন হেমিস্ফেয়রগী সম্মরদা পাঙথোক্কদবনি। মমাংগী ২১রক শান্নখিবা ইদিসনশিংদা মে অরোইবা অমদি জুলাই লোইরমদাই মরক্তা শান্নখিবনি।

# নেসনল গেমসতা শরুক য়ানবা ৱুশুগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমস ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা ৱুশু শান্নরোয়শিংগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৪গী অয়ূক পুং ৭তা সাই ৱুশু ট্রেনিং হোল তাকয়েলপাৎতা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ৱুশুগী এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর কিরনকুমার থাংজমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, এম ও এগী ৱুশুগী এদহোক কম্মিটিনা এপ্রুভ তৌরবা টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা য়ারবা নুপা অমদি নুপী ৱুশু শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী ট্রায়ল সেলেক্সন অসিবু শরুক য়ানিংবশিংনা এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর কিরনকুমার থাংজমদা ট্রায়ল নুমিৎ অসিমক্তদা শুংশোয় শোয়দনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসি মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ৱুশুগী এদহোক কম্মিটিগী কন্সর্ন টেক্নিকেল মেম্বরশিংনা য়ানরবা প্রিন্সিপলদা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

## ৬৬ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ
# বিদ্যাসাগর সলাম মেন সিঙ্গলসকী প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা ৬৬শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি দি এম য়ুনিভর্সিটি কমপ্লেক্সতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর হোলদা শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচ অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনগী বিদ্যাসাগর সলামনা এ সী দি বি এগী থাইমৈ গাইজুটলুংবু ষ্ট্রেট সেট ২১-১৫, ২১-৯দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা মেন সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচশিংদা উখ্রুলগী রেংঙাহন কাসারনা এস দি বি এগী অগষ্টিন এথিয়ুবু ২১-১১, ২১-৮; ইম্ফাল ৱেষ্টকী চিংঙাংবম রিটেশনা উখ্রুলগী চুইঙাচন শিমরেবু ২১-৯, ২১-৯; ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিংথৌজম সাইমন্দ কুমারনা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী কোন্থৌজম অর্বিন্দবু ২১-৮, ২১-১৩; ইম্ফাল ইষ্টকী জোমি সিংঙামনা থৌবালগী সোরোখাইবম মনিসনাবু ২১-১৫, ২১-১৮; বিষ্ণুপুরগী কালেনয়াই খ্বাইরাকপমনা ইম্ফাল ইষ্টকী তখেল্লম্বম কিষন মৈতৈবু ২১-১৫, ২১-১১; বিষ্ণুপুরগী কোন্থৌজম দিঙ্কুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী ওইনাম এইমসনবু ২১-১৫, ২২-২০; ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেনস কাংজমনা ইম্ফাল ইষ্টকী অতোম পাৱরমেনবু ২১-১৭, ১৮-২১, ২১-১৮; এ সী দি বি এগী কে ঐচ ওলৱিন্সননা থৌবালগী এস এম ফরুখ অহমদপু ২১-৯, ২১-১২; ইম্ফাল ইষ্টকী চন্দ্রকান্ত ময়াংলম্বমনা ককচীংগী নাওরেম রোশন রিপোর্ট তৌরদবদগী ৱাকওভর; জিরিবামগী হেমাম মালেমঙানবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী ৱাই বুধচন্দ্রবু ২১-২, ২১-১৫; ইম্ফাল ইষ্টকী থিয়াম মেটিকনা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী লোংজম এন্থোনিবু ২১-৭, ২১-৩; ইম্ফাল ইষ্টকী নোংথোম্বম অভিনাশনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস জয়চন্দ্রবু ২১-১১, ২১-১৪দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

# নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)গী লমজিং মখাদা অসাম রাইফল এসোসিএসননা শীন্দুনা গুৱাহাটিদা সেপ্টেম্বর ১০দগী ১৩ ফাওবা ৯শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং কম্পিটিসন ২০২২ ইন রাইফল/পিষ্টোল ইভেন্ট পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা নোর্থ ইষ্ট জোনগী মনুংদা লৈবা শুটরশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি অদুগা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী শুটরশিংদি শরুক য়াবা য়ারোই। অদুবু এন আর এ আইদা এফিলিএট তৌবা পেরা মিলিটরি ফোর্স, এ আই, ও এন জি সী অমদি অতোপ্পা এফিলিএট য়ুনিটশিংনা এন আর এ আইদগী অইবা পর্মিসন লৌরগা গেষ্ট শুটর ওইনা শরুক য়াবা য়াগনি।

কম্পিটিসন হৌবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১০, ২০২২ ফাওবদা চহী ২১গী মখাদা লৈবনা জুনিয়র, চহী ১৯গী মখানা য়ুঠ অমদি চহী ১৬কী মখাদা লৈবা শুটরশিংনা সব-য়ুঠ কেটেগোরি হায়না চেম্পিয়নশিপ অসিদা খন্নগনি। চহী ২১গী মথক্তা লৈবা শুটরশিংনা সিনিয়রগী মেটচতা শরুক য়াবা য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ হৌবা নুমিৎতা চহী ৬০ মপূং ফাবশিংনা সিনিয়র মাষ্টর কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদবনি।

# ষ্টেট কিক বোক্সিং টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা লৈবা এস এম এস ষ্টেদিয়মদা সেপ্টেম্বর ২৬তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাকো ইন্দিয়া কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা ওফিসল ৩- মেনেজর অমা অমদি কোচ অনী অদুগা শান্নরোয় ১৩০ - নুপা ৮৭ অমদি নুপী ৪৩ পূন্না মীওই ১৩৩না শাবা টিম ঙসি কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ৬তা মোইরাংখোম বজারদা লৈবা সামাশখি হায় স্কুলদা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদগী য়ূম্ফম ওইরগা খনবনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী এজ প্রুফ সর্টিফিকেটশিং, পাসপোর্ট সাইজ ফোটো ২/২, কোভিদ ভেক্সিন দোজ ১ অমদি ২ কাপখিবগী ভেক্সিনেসন সর্টিফিকেটশিং কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম কে প্রেশো শিমরেদা মথৌ তাবা রেজিষ্ট্রেসনগীদমক পীশিল্লক্নবা খঙহল্লক্লি।

মখা তানা শান্নরোয়শিংনা য়াইস্কুল মোইরাংখোম লৈপুংদা ওগষ্ট ২০দগী সেপ্টেম্বর ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিং কেম্প অসিদসু শরুক য়ানবা এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস উমাকান্তনা খঙহল্লক্লি।

# ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা তেংনৌপল বট্টালিয়ননা ৬৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা শীন্দুনা খুদেংথাবী ভিলেজদা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখ্রে।

অসাম রাইফলস ট্রুপশিং অমদি য়ুঠ স্পোর্টস ক্লব খুদেংথাবী অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অসাম রাইফলস টিমনা খুদেংথাবী টিমবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

থৌরমগী মনুং চন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হর ঘর তিরঙ্গী শরুক অমা ওইনা খুঞ্জাশিংদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল য়েন্থোকখি।

# অম্ফানা সেমিনারগী কেন্দিদেট ২ খল্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা ওগষ্ট ২৩দগী ২৫ ফাওবা ন্যু দেল্লীগী ফুটবোল হাউসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেশ কেন্দিদেটশিংগী ওইবা এ আই এফ এফ মেটচ কম্মিস্নর'স সেমিনার ২০২২-২৩দা শরুক য়ানবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না কেন্দিদেট অনী খল্লগনি হায়না জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

কেন্দিদেট অনী অসিগী মনুংদা অমদি নুপীদা হেন্না খূদোংচাবা পীগনি। কেন্দিদেটশিংনা চহী ৩০দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈগদবনি অমদি চহী ৩দগী তাদনা ষ্টেট এসোসিএসনগী মেটচশিং ওফিসল ওইনা ওর্গনাইজ তৌবা ঙম্বা ফুটবোলগী এক্সপরিয়েন্স লৈবা ওইগদবনি। এম এস ওফিসকী কম্প্যুটর স্কিল অমদি নীংথিনা ইংলিশ ঙাংবা অমদি ইবা হৈবা কেন্দিদেট ওইগবনি।

শরুক য়ানিংবা কেন্দিদেটশিংনা সী ভি গা লোয়ননা এপ্লিকেসন থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইদা পীশিল্লক্নবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লদুনা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২২গী সী এম এসকী মতম থা অসিগী ১৪ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না খঙহল্লক্লি।

শরুক য়াগদবা টিমশিংনা পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা মখোয়-মখোয়গী সী এম এস লোইশিলহৌনবা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# দি এস এ ককচীংগী মীখল ওগষ্ট ২১দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী টর্ম ২০২২দগী ২০২৬ ফাওবগী ওফিসকী থৌ পুনবা অমদি অতোপ্পা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মেম্বরশিং খন্নবগী মীখল থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্লগনি হায়না রিটর্নিং ওফিসর পি সোমরেন্দ্রনা খঙহল্লক্লি।

ওফিস বিয়রর অমদি এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মেম্বরশিংগী মীখলগী নোমিনেসন পেপরনা ওগষ্ট ১৩দগী ১৫ ফাওবগী নুংথিল পুং ৩দগী ৫ ফাওবা দি এস এ ককচীংগী ওফিসতগী ইস্যু তৌগনি।

নোমিনেসন পেপর পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম্না ওগষ্ট ১৬কী নুংথিল পুং ৩দগী ৫ ফাওবনি। স্ক্রুটিনিনা ওগষ্ট ১৭কী নুংথিল পুং ৩দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। নোমিনেসন পেপর ৱিদ্রো তৌবনা ওগষ্ট ১৮গী নুংথিল পুং ৩দগী ৫ ফাওবা ওইগনি। অদুগা ওগষ্ট ২১দা ভোট থাদরবা মতুং নুমিৎ অসিমক্তদা ভোট মশীং থীবগী থবকসু পাঙথোক্কনি।


মীখলদগী খনগদবা পোষ্টশিংনা প্রসিদেন্ট ১, ভাইস প্রসিদেন্ট ৪, ট্রেজরর ১ অমদি ক্লব রিপ্রজেন্টেটিভ ৫নি।

অমরোমদা, দি এস এগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ওগষ্ট ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী ফাইনেল ভোটর লিষ্ট দি এস এ ককচীংগী ওফিসকী নোটিস বোর্দতগী খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

# রবিচন্দ্র অমদি মাঘো ইন্সট্রক্টর ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ওগষ্ট ১৩ অমদি ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এফ এ) থৌবালগী রেফরিশিংগী ওইবা রিফ্রেশর কম রিক্রুটমেন্টগী ইন্সট্রক্টর ওইনা আই রবিচন্দ্র অমদি এম মাঘো খল্লে হায়না অম্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 540**

**Vagn Jensen - Bent Larsen**
**Aarhus VRS clock sim Aarhus, 1973**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 Nf6 | 2.e5 Nd5 | 3.Nc3 Nxc3 | 4.bxc3 Nc6 |
| 5.d4 b6 | 6.Nf3 e6 | 7.Bd3 Bb7 | 8.Qe2 d5 |
| 9.exd6 Bxd6 | 10.Ng5 Be7 | 11.Ne4 Qd5 | 12.Bc4 Qd7 |
| 13.O-O O-O | 14.Bf4 Na5 | 15.Bd3 Rac8 | 16.Rad1 Qd5 |
| 17.c4 Nxc4 | 18.Rfe1 b5 | 19.Qf3 f5 | 20.Qh3 Nb2 |
| 21.Nc3 Qd8 | 22.Rb1 Nxd3 | 23.Qxd3 b4 | 24.Rxe6 bxc3 |
| 25.Rxb7 Qd5 | 26.Rxe7 Qxb7 | 27.Qc4+ Kh8 | 28.h4 Rce8 |
| 29. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 539 Ans. :**

33. Qxg6+ The white queen decoys Black's king.Kxg6 34. Rg3+ The white rook attacks Black's king, which is defending the square f7. Kh6 35. Nf7+ The white knight attacks Black's king, which is defending Black's pawn. Kh7 36. Rxh5# Lawnmower mate
33. Rf3 Rf8 34. Rc4 Kg7 35. Rb4 Rb6 36. Rxa4 Rxb2 37. Kh2 Rb1 38. Ra5 Qc7 39. Nf5+
1-0



HL-B/7728/10/7-6/9(alt)



HL-B/7774/1/8-17/8

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com